থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

প্রথনা, প্রেয়র, লাইশোন ....

প্রেয়র হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক্তি 'হায়জবা' হায়বনি, কনাগুম্বা তৌবা ম্বা অমদা মখা তাবা অমনা করিগুম্বা খরা নত্রগা অমা তৌবীনবা হায়জবা অদুবু কৌই - প্রাথ্রনা তৌবা/প্রেয়র নৎত্রগা রিক্বেস্ত তৌবা।

অদুবু, মীওইবা কৌবা খুন্নায়সিনা, ঈশ্বর/লাই/গোদ হায়বা কন্সেপ্ত অসি পুথোকখিঙৈদগী প্রেয়র/প্রর্থনা হায়বসিগী শীজিন্নফম হোংলকখি। শীজিন্নফম হোংলকপদগী ৱাহন্থোকসু হোংলকখি। ঐখোয়গী লোন অসিদসু 'লাইশোন' হায়বা ৱাহৈসিনা মহুৎ শীল্লকখি। মাগী মাগী থাজনবা, লম-লমগী চৎনবী-প্রক্তিস মতুং ইন্না, প্রর্থনা তৌবগী মওংদুসু খেন্নরকই। তৌবা ঙম্বী থাজরিবা ঈশ্বরখক্কী ৱা নত্তনা, ঈথক থোংবা ওজা-গুরুনচিংবদা হায়নীলিবা ৱারোলদা অইবা ওইনা ইথোল্লগা পীবা চেরোলদুসু প্রেয়রগী প্রার্থনাগী মনুং চনগনি। মশক ওইনা চোংথোকপা কনাগুম্বা অমদা হায়বা চীনবান্থোংগী ৱা নত্রগা থম্মোয়নুংগী ৱা খোন্থোক ওইনা নত্রগা খেঞ্জেল থোক্তুনা ফাওনরিবা পাউ (কম্যুনিকেসন) অদুসু প্রেয়রনি।

লাই নীংবা (রিলিজন)গা মরী লৈনবা থবক অমা ওইনা 'লাইশোন' শোনবা, প্রেয়র/প্রার্থনা পাঙথোকপা হায়বসি মীশিংদু মরান্নাই (ইন্দিভিজ্যুঅল) ওইনসু য়াই, ময়াম পুল্লপ শোল্লবসু য়াই, ইমাগী অরোনবা কাদুদসু শোনবা য়াই, মন্দির/মসজিদ অমদা নত্রগা লমহাংদসু শোনবা য়াই। ৱাহৈ ওইনা চীন্বান থোক্লা হায়রবসু য়াই, ঈশৈ ওইনা শক্লবসু য়াই, থম্মোয়দা লোন্না হায়রবসু য়াই। লাই মাগী মতীক মগুন শৈথারগা, থাগৎ-ৱাহৈ শীজিন্নরগা ওইজ-ওইথক নিজবা, লঙশিল্লুবা মরাল অমা ঙাকপীনবা হায়জবা... অসিনচিংবা অসিনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা চৎনরিবা লাইশোন-প্রেয়রগী শক্লোননি।

অদুগা, মশানা শোনজবা লাইশোন নততবা, কনাগুম্বা অমগীদমক, নত্রগা খরগীদমক, নত্রগা য়াল্লবা মীয়াম অমগীদমক কনাগুম্বা অমনা মহুৎ শিল্লগা শোনবীবা, লাইশোন মখল অমগা লৈ। অদুগুম্বা লাইশোন শোনবীরিবা মীশক্তু মশানা মশাবু লাইগী এজেন্ত অমগুম খনজে। মহাকখক্তনা হায়রগা, লাই মানা তাগদবা, অতোপ্পনা হায়রবদি লাই মানা তারোইদবা ! অঙকপা নত্র লাই মাসু! কয়াদা পঙখ্রবা মীচম মাসু! লাই মানা তানবা, ঐনা খঙদবা লোন অমদা ঐগীদমক লাইশোন শোনবীবগী অয়াবা পীরিবা! করি হায়রিনো খঙদবা, চীনফা পুবা শ্লোক ময়াম অমা শোল্লগা ঐগীদমক লাইশোন শোনবীরে, লাই মানা তারল্লনি, ঐগী অৱাবা কোক্লনি ... থাজরিবনি মীয়ামসিনা। ধর্ম্ম তিন্নদবা কাঙলুপ অনী হাৎনরগা, চহী কয়া চুপ্পা লেপ্তুনা তুম্নবা হাৎনরগা, নোংম নুমিৎ অমা কাঙলুপ অনীদুনা নীংজবা লাইদুগী 'এজেন্ত' অনীমক থোক্লরগা 'কম্যুনিতি প্রেয়র' হায়দুনা ময়ামগী মহুৎ শিন্দুনা লাইশোন শোনবদু লাই মানা তারল্লবা! মহাকপু লাইনি করম হায়দৌরিবনো? মীহাৎপনি হায়বদা লানগদ্রা ?

অসুম্না, প্রেয়র/প্রার্থনা/লাইশোন হায়বসে - লাইগী মতীক মগুন শৈথাবা, থাগৎ-ৱাহৈ হায়বনচিংবা খরা তৌরগা ওইজ-ওইথক নীরুবা, ইপাপ কোক্লবা হায়জরবদু ওইফম থোক্তে। প্রেয়র হায়বসি নিজবা নত্তে। পুক্নিংগী নুংঙাইবা/অপেনবা মতৌ ফোঙদোকলকপনি। কৈদৌঙৈ লাক্কনি খঙদবা কনাগুম্বা অমা তরাম্না ওক্লবা শেম শাবনি। লাক্কদৌরিবা অতিথি অদুসু কনানো খঙদবা।

ইমুং মাঙ্গোল শুমাং থেলোং নুংতিগী ৱাইশিৎ লমশেং তৌরিবা, মনম নুংশিবা মৈখুনা পুমনিন নিলহল্লিবা, মহাক্না চঙলক্কদৌরিবা চঙফমদু লৈশুনা লৈতেংহল্লিবা ... প্রেয়রগীদমক শেম শারিবনি।

কনানোমনা শোল্লম্বা লাইশোন অমখক নীংশিংজরক্কে। কনাগীনো? নীংশিংবা ঙম্বা য়েংবীয়ু। ...'নহাক নোংমদি শোয়দনা/ঐগী খরায় থোঙ্গানদগী ইমুংসিদা/লেঙশিনবীরক্কনি তাজবদগী/নুংতি নুমিৎ খুদিংগী/লেংজরগা অনৌবা লৈ পরেং/থেৎলিবনি সনথোঙদা। ইমুং মনুং, থোঙজীন মীহুৎথোং, মাঙ্গোল সুমাং ঙম্নমক/তৈথোক্লবনি তরু তনাল। ... তাজৈ, অদোমগী সনাখোঙদি থম্বালগুম্না থোৎলি হায়না/অদুননি ঐহাক্না লন্বীসিদা চাইথোক্লিবা লৈনা ময়াম .. তাজৈ, নঙদি চৎলি নুংতিগী অমম্বা লন্বী অমদা নোংমতসু চৎলুদ্রিবা/অদুননি ঐহাক্লা মৈরা পরেং কৎচরিবা নুংতিগী ...'।

ঐহাক খঙই। কনানসু শোনবীদবা লাইশোন্নি পাউদম ওইনা তমজরিবা ঐহাক্না।

নীংশিংবীরবরা ? কনানা শোল্লম্বা লাইশোন্নো ?

খঙই। নীংশিংবদা ৱাগনি।

মরমদি- মহাক, লমদমসিদা তোয়না শোন্নদবা কদায়দা, কৈদৌঙৈ পোকখি হায়বা কনানসু খঙদবা, বুদ্ধ-মহাবীর-নানক'কুম্ব 'যোগি গোরখ-নাথ'নি। য়ু পিগী গোরখ-পুর, মাগী মিংদা থোনখিবনি।

লৌশিং পুক্কে

হকচাংগী অরূম্বা হেনবগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা

অঙাং ওইরিঙৈদা মীওই অয়াম্বা খুদোংচাবা হেক ফংবগা শানবদা মায় ওনশিল্লি। মমা-মপা ওইবশিংনদি অরেম্বদা মতম মাঙহল্লি, লাইরক লাইশু ঔরাইদে হায়না চৈবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ ওৎতুনা লৈবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। মসিমক্না অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তম্বা তোকহল্লগা নুমিৎ চুপ্পা শান্নহনসি হায়বা নৎতে। তূম্বা, চাবা, স্কুল কাবা, লাইরিক ঔরাইবা, পোৎথাবা অমসুং শান্নবগী মতম খায়দোক্লগা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক চেন চোংদুনা শান্নহনগদবনি। হায়নরুবা তৌদনা অঙাং অয়াম্বা খুদোংচাবা তাঞ্জা হেক ফংবগা চেন-চোংদুনা শানবা মরম্না থম্মোয়গী লায়না, দাইবেটিস অমসুং অতৈ পুন্সি মহিংগা করী লৈনবা লায়না নাবা থেংনদে। মরাইবক থীবা অঙাং খরখক্লা মমা পুক্নুংদগী লোয়নরকপা নত্তনা অঙাংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, থম্মোয়গী লায়না লৈবা, ব্লদ সুগর ৱাংবা অমসুং অতৈ পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিং নাবা থেংনদে।

চহী য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না হকচাং লেঙ ওৎপগী চাংসু হন্থরকই। মদুনা মরম ওইরগা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনগৎলকই। হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলক্লবদি থম্মোয়গী মিহুল তাম্থা কায়রকই। অরট্রিয়ল ফাইব্রিলসন হায়না খঙনবা থৌওং অসিনা স্ট্রোক, হার্ট ফেলিয়র অমসুং অতৈ খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া ওইহল্লকপা য়াই হায়না মীওই ৭০,০০০দা চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অমেরিকন জর্নেল ওফ কার্দিওলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পেন ষ্টেট কোলেজ ওফ মেদিসিনগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর এন্দ্রিয়ু ফোইনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অরট্রিয়ল ফাইব্রিলেশন ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪০ রোম হেনগৎলকই। মীওই ৭০,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হন্থহনবা তারবদি থম্মোয়গী মিহুল তাম্থা কায়বগী থৌওংসু তপ্পা তপ্পা ফরকই হায়রি। হার্টকী মথক থংবা চেম্বরদা অশোয়বা লৈবদগী অরট্রিয়ল ফাইব্রিলেশন ওইহল্লকপনি। মসিনা দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমদি অতৈ অতোপ্পা হার্টকী খুদোংচাদবা কয়ামরুজ্জম থোকহল্লকপা য়াই।

অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপী ওইবীশিংনা থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা হেক হেক তোয়না থেংনবা তূম্বা য়াদবা, হুমাং পাখৎপা অমদি পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইতবগী থৌওংনা কদিওভাস্কুলর দিজিজ (সি ভি দি) ওইহল্লকপা য়াই। নোর্থ অমেরিকন মেনোপোজ সোসাইটিগী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্তর জো এন পিঙ্কর্টর্ননা লুচিংলগা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা হকচাংগী কয়াৎশিংদা অহোংবা কয়া থোরকই। তোয়না হুমাং পাখৎপদগী ঈ-উতোং খূজিল্লকপা মরম্না ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লি। ইষ্ট্রোজেন (নুপীগী হোর্মোন)গী চাং হন্থরকপা মরম্না থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা নুপী ওইবী খুদিংমক চাং নাইনা ব্লদ প্রেসর, লিপিদ, ব্লদ সুগর অমদি বোদি কম্পোজিসন চেক তৌগদবনি হায়না পিঙ্কটর্ননা ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী রিসাছরশিংনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মরেক য়াম্না য়াওবা ঙা মরাং কায়না চারবদি হকচাংদা অফবা কোলেষ্টরোল (গুদ কোলেষ্টরোল) চাং ৱাংখৎহন্দুনা থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রি।

"মোলিক্যুলর ন্যুট্রিসন এন্দ ফুদ রিসর্ছ" জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিসর্ছরশিংনা হায়খি, ওমেগা-৩ ফেটি এসিদ নৎত্রগা অলফা-লিনোলিক এসিদ মরাং কায়না য়াওবা ঙা চাং নাইনা চারবদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ইন্টরমিদিয়েট দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (আই দি এল) হন্থহল্লি। ফৎতবা কোলেষ্টরোল হায়নসু খঙনবা লো-দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (এল দি এল) হেনগৎহনবা মরম্না ওমেগা - ৩ ফেটি এসিদ চাং ৱাংনা য়াওবা ঙা মরাং কায়না চারবদি হার্টকী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী।

অমরোমদা ন্যু য়োর্ককী সেন্ট লুই য়ুনিভর্সিটিদা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইবা এদৱার্দ ৱিজনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাগী অরূম্বা হেল্লবা মীওইশিং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি হার্টকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা নুপাবু ওইরবসু নুপীবু ওইরবসু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হন্তহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না অমেরিকন জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ন্যুট্রিশনদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়রি।

এদৱার্দ ৱিজ অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা মীয়ায় চল্লবা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবা নুপা, নুপী ৫২ দা ষ্টদি চথরম্মী। মীওইশিং অদু অকক্লবা চীঞ্জাক চাবা, হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং অকক্লবা চীঞ্জাক চাবগা লোয়ননা হকচাং শাজেলসু তৌবা হায়দুনা কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোক্লগা ষ্টদি চথখিবনি। চয়োল ১২দগীনা ১৪ ফাওবা চথখিবা ষ্টদিদা অকক্লবা চীঞ্জাক চাবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী হকচাং শাজেল তৌবা মীওই কাঙলুপ অদু হকচাংগী অরূম্বা হনথরকপদগী য়াম্না চাউবা মওংদা কান্নবা ফংলকপা থেংনখি।

মীপুম খুদিংমক মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী হায়রি।

হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টগী মনুং চনবা কোংপাল য়ুর্থ ভলটরি ওগনাইজেসন, মমাঙ শবল লৈকাই অমসুং পোরোমপাৎ ক্ষেত্রি লৈকাই দিভলপমেন্ট কমিতি অনীনা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন দাইরেক্তর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেন হাজবেন্দরিগা পুন্না খুৎশম্নরগা কোংপাল এরিয়াদা হুইশিং হীদাক কাপথোকখ্রে।

ঙরাং কোংপালদা হুই হীদাক কাপ্পা থৌরম অদুদা কোংপাল পোরোমপাৎ ক্ষিত্রি লৈকাই, কোংপাল নারোইবম লৈকাই, কোংপাল চনম লৈকাই, কোংপাল খাইদেম লৈকাই অমসুং কোংপাল কোংখাম লৈকাইনচিংবদা লৈবা য়ুমদা লোইনরিবা হুই ১৪৫ রোম অমদি হৌদোং ৫ এন্টিরেভিস বেক্সিনেসন কাপথোকখি। হীদাক কাপ্পগী থৌরম অদুদা টোপ এরিয়া জিলা পরিষদকী মেম্বর ক্ষিত্রিময়ুম তমাসু শরুক য়াখি।

ইঙোবী চোংথাম ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):

বেতি বচাও, বেতি পরাও হায়বা থিমদা এৱার্নেসকা লোয়ননা ইম্ফাল কংলা ৱেষ্টন গেটতগী থাসিগী অহুমদগী সাইকল থৌদুনা খোঙশানখিবা ইঙোবী চোংথাম ঙসি ন্যু দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা থুংখ্রে। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোংজোম সাপমদগী ইঙোবী চোংথামনা ইম্ফালদগী নাগালেন্দ, অসাম, বীহার, য়ু পি ফাওরগা য়াম্না থৌনা লৈনা সাইকল থৌদুনা মথন্তা চৎখিবনি। থা অসিগী ৩ দগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২দা সাইকল থৌদুনা চৎখিবা ইঙোবী চোংথাম ন্যু দিল্লি য়ৌবদা নুমিৎ ২২ রোম চঙখি হায়রি।

মহাক্না ঙসি ইন্দিয়া গেট থৌবদুদা মফমদুদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমসি সিক্যুরিটি পার্সর্নেলশিংনা হরাও তয়াম্না ওকখি হায়রি। মহাক কোলেজগী এগজাম লৈবা মরম্না সাইকল অদু শিদোল্লগা এরোপ্লেনদা ওইনা থোল্লকনিসু হায়রি।

কোংগ্রেস পার্টি অসি ইশু নত্তবদা ইশু শাগত্তুনা লৈরে : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):

লুপা ক্রোর ৩ কন্টেক্টর অমদা থবক শুরগা কন্টেক্টর অমদা অমুক পীরগা থবক শুহল্লি হায়বা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা কোংগ্রেসগী স্পোক্সপর্সন হরিশোর গোস্বামিনা ঙরাং মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা অদু য়ুমফম য়াওদবা অরানবনি হায়না ৱাক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওফিসার কোলোনিদা লৈবা মিনিষ্টরগী ক্বার্টরদা পি দব্লিয়ু দি দিবিজন নম্বর ২ গী এগজিক্যুটিব ইঞ্জিনার ৱাই মুনিন্দ্রো য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়খি। কুমজা ২০১৬ তা এম দি এসকী মখাদা এম পি এস সি শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা দিপোজিৎ তৌরকখিবা লুপা ক্রোর ৩.৫০ প্লানিং দিপার্টমেন্টনা ঐখোয়দা শীন্নরকখি। হায়রিবা শেনফম অসি লান্না শীজিন্নবা লৈতে কন্টেক্টর মশানা থবক শুজবা লোইরবা মতুংদা শেনফম অদু পীখিবনি। মসিদা এম দি এসতগী থবক লৌথোক্লবা হোৎনখিবা লৈতে। থবক্না কন্টেক্টর অমনা শুরগা অতোপ্পা কন্টেক্টর অমদা শেল পীখিবসু লৈতে হায়না শেংদোকখি।

কোংগ্রেস পার্টি অসি শক্তি পায়নিংবদগী অঙাওবগা পাঙ্খক ওইরে। করিশু নত্তবদা ইশু শাগত্তুনা লৈরে, মীওই কয়াদা লান্না পাউদমদুনা লৈরে।

পার্টি অসিনা নেসনেল লেভেলদা পার্লিয়ামেন্টদা ফাওবা মীফম ফম্বা ফাওবা য়াহনখিদবা অদু দেমোক্রেসিবু মশক থিহল্লি হায়না মরাল শিরি।

অমরোমদা নীংবা কাইবদগী মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা অসিদগী মীয়াম্বু চেকশিন্না লৈবীয়ু হায়খি।

'ৱাথোক ওইখিবা তাংখুল শাবদুদা করি চৈরাক পীখ্রবগে'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):

হৌখিবা মার্চকী তাং ৭, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়াইরিপোক তোপ চিংথাদা লাইরোই নুমিৎতা থোকখিবা তাংখুল শাবা খোংপাক্লা কাওরুবদগী মরী লৈননা মীশি মীনা থোক্তুনা হৌজিক হৌজিক মীহাৎ অদুগা মরী লৈনবনি হায়বা মীওই খরনা অৱাফমদা লৈরি। লাইবক থিবা থৌদোক্তুনা মীশি মীনা নংখ্রিবদু করিদগী ওইরকখিবনো হায়বদু হনগৎনা য়েংবা মথৌ তারি। তশেংনা হায়রবদা থোক্লিবা থৌদোক্তু তাংখুল শারিবা অমদি নুরাবীগী মতারোইগী শক্তম লাংলিবী অনিগী য়েংবা নুংঙাইতবা মতৌদুদা য়েংবা নুংঙাইতবদগী ওইরকবিনি হায়বা তাই।

তাংখুল শারিবা অমদি নুরাবীগী মতারোই শারিবী অনীদু হৌজিক হৌজিক করম্বা ৱায়েলগী মখাদা করি চৈরাক পীখ্রবগে ? লোয়ননা থোক্লিবা মীশি মীনাদুগা মরী লৈনদ্রে হায়দুনা লো কোর্টনা ফংগদবা চৈরাক্তু কোকথোকপীখ্রবরা ? অথুবদা মীয়াম খঙনা ওথোরিতিনা লাউথোকপীবা চুমগনি। উমং লাই হরাওবগা মরী লৈনবা লুপশিং অমদি কষ্টমগী মপু ওইরিবা সনাকোনুংনা থম্বীখিবা লাইবুং অমত্তদা চঙদুনা লাইথৌ তৌবা য়াহন্দবগী ৱারেপতু পুন্সিগীরা, মতম কয়াম কুইনা লৈরগা লাইথৌ তৌবা য়াহনগদগে মচা খাইনা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা খঙহনবা মথৌ তাই।

লৈবাক মীয়াম্নসু লাই হরাওবগা মরী লৈনবা লুপশিং অমসি সনা কোনুংনা লৌখিবা ৱারেপকী ৱাংমদা মরুপ মপাং ইমুং মনুংগী মরীদা হায়রিবা মীওইশিং অদুবু লাইবুংদা পুশিল্লগা লাইথৌ তৌহননবা শিনবিরোইগদবনি। হৌজিক লৈবাক্কী অচুম অরানগীদমক লৈরিবা ৱায়েল শঙনা মখোয়দুগী মথক্তা করি ৱায়েল চথুরকখিগদগে হায়বদু য়েংখিবা তারি। মীহাৎতুদা চেন্নবনি হায়বা খরা হৌজিক অৱাফমদা লৈরি অদুগা হৌরকফম ওইরিবা মখোয় অদুবুনা করিগী থৌদোক্তুদা চেন্নহন্দ্রিবনো ? মতাং অসিদা লৈবাক মীয়ামদা চমন্নবা পোকহলি। অহানবদা হকথেংননা ফুন-চৈনবদা চেন্নরিবদি তাংখুল শারিবা অদুনি। তাংখুল শারিবদু কন্দুনা থল্লীবগী মওং মানবা মতৌসি চুল্লিব্রা। য়েংলিবা খুদিংমক উহৌরিবা পুম্নমক চেন্নগদবনি হায়বদি লৈতেঅদুবু হকথেংননা ফুন্নরিবদি তাংখুল শারিবদুনি মসিদা য়েৎননিংঙাই করি লৈবগে হায়নসু ফোঙদোরল্লি।

হিষ্টোরিয়ানশিংনা অচুম্বা পুৱারী পুথোকপিয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):

লমদম অসিদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা খোংজোম লান নিংশিং থৌরম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি খোংজোম লান্দা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা উৎলম্বা থৌনা লিংজেলনচিংবা গুনশিং অদুবু মচা মশু ওইবা ঐখোয়দা চেনবা ঙম্নবা হোৎনবনি হায়না খল্লি হায়না য়ুনাইটেদ চোংথাজ, ইম্ফালগী প্রেসিদেন্ট সি ঐচ তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

হীরম অসিনা মখা তানা হায়, ইপা ইপুশিং অদুনা ঐখোয়বু ইমা লৈবাক্কীদমক খন্নবা অমদি থৱায় থাবা পামুদবা মীশক ওইরক্লবনি। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিং অদুবু নীংশিংবগা লোয়ননা মখোয়না মতৌ করম্না মমা লৈবাক্কীদমক করি তৌরম্মী, মখোয়না করম্না লৈঙাক্লুম্মী, মখোয়না লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখি অসিনচিংবা ৱারীশিং য়াম্না ময়েক শেংনা থম্বা তাই।

চরক চহিংননা থম্বা অসি তুংগী মীরোলদা অফবা ওইরকনি নীংদে। অদুবু ঐখোয়গী পুৱারি অসিদি চয়েৎনবনা পীক থল্লি। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা খোংজোম লান অসি এপ্রিল ২৩ দনি ২৫ দনি হায়না য়েৎনরিবা অসি য়াম্না কুইরে। ঙসি ঙরাংগী পোৎ নৎত্রে। মতাং শ্বাইদা হায়জনিংবদি ঐখোয়গী হিষ্টোরিয়ানশিং অসি কৈদৌদনা লৈরিবগে হায়বসিনি। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয় শ্বাইদা তৌনরিবা অসিদি হুইনা খোঙগদবদা গধানা খোঙবা হায়বদুনি।

হিষ্টোরিয়ানশিংনা তৌগদবদা সিভিল সোসাইটিশিংনা তৌদুনা লৈরে। মতাং অসিদা য়ুনাইটেদ চোংথাজগী মায়কৈদগীদি হায়জনিংবদি লমদম অসিবু নুংশিবা লমদমসিদা পোকপিবা হিষ্টোরিয়ানশিং লৈবাক মাঙদা চোংথোকপিরক্লো, তুম্বা ওক্লে। ইরমদম অসিগী চরক চহিংনদবা অশেংবা পুৱারি অমা থম্বীরো হায়বসিনি। মথোং মরম খঙদনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবদি পাঙথোকপগী মহৈ ফংলোই। খুদম ওইনা ঐখোয় খ্বাইনা অথৌবনি হায়না লাৎচরিবা খোংজোম লানদা লুচিংবা ওইখি হায়বা অথৌবা পাউনা লৈখিদবগী মতাংসি য়াম্না চয়েৎনরি। মহাক কদায়দা, করম্বা তারিক্তা, কমদৌনা করম্বা মতমদা শিখি হায়বা লেপ্পা ঙমদ্রি।

মরম অদুনা মফম মরাং খঙদনা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা চুমদে হায়জনিংই। পাউনম ফুলেন্দ্রজিৎনা ইবা পাউনা ব্রজবাসি কৌবা লাইরিক্তা ইবুঙ্গৌ পাউনা অসি কছারদগী লাকপা খুমন্থেম খুমন কৌবা মণিপুর সুবেদারনা হাৎলি। পাউনা লান শোক্লবা য়াবা শোক্লরগা মতুংদা ৱারদুনা পোথারিঙৈদা বৃটিশ ফিল কমান্দর (মমিং পন্দে, কনানো খঙদে) কমান্দর অমগা খুমন্থেম খুমন সুবিদারগা লাকখি।

সুবিদার অদুনা পাউনাবু মখোয়গী (বৃটিশকী) মীচংদা য়াওরো, মনা চাউনা পীগনি, ফম চাউনা পীগনি। মদুদা মমা লৈবাক নুংশিবা পাউনা য়াখিদে। মদুগী মহুৎতা মহাক্কী থৱায় ওইনা লৌ হায়খি। অসুম্না থাঙ অমদি নোংমৈ চঙদ্রবা পাউনানা থাঙফম পীদুনা মঙকশমদা য়ালহনখি। খুমন সিংহ অনিরক য়ানবদা চঙদবদগী পাউনানা মহাক্না শিরিবা যন্ত্র লৌথোক্লে, মদুদগীদি খুমননা থাবা থাঙ চঙলে, নাকল অমদনা মহাক নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা শিরে হায়বনি।

লাইরিক অমদনা মহাক এপ্রিল ২৩ দা শি হায়, অদুগা খরা অমদনা এপ্রিল ২৫ দা শি হায়রি। মখা তাবদা মহাক খোংজোম লানফমদা শি হায়রি। খরা অমনা মহাক ৱাংজিংগী খেবা চীংদা শি হায়রি।

মান্নদবা ৱাফম ময়াম অসিনা মীয়ামদা য়াম্না শাথিনা চমম্নবা অমা পোকহল্লে। মসিবু ঐখোয় হিষ্টোরিয়ানশিংনা য়েংদুনা লৈবা ঙম্লিব্রা ? অমরোমদা চৈথা কুম্বানা পাউনা অসি এপ্রিল ১৭ তা মেজর ফম পীখি, শোমদনা ফোলেন্দ্রজিৎনা ইবা লাইরিক্তনা নিংথৌনা মহাকপু মেজর জেনরেল পীখি হায়রি। পাউচেশিংদসু মেজর জেনরেল ওইনা ইনরল্লি। মসিনা কমদৌরিবনো ? করিগুম্বা মেজর জেনরেল ফম পুবা ওইরল্লবদি লানফমদদি লৈফম থোক্তে খল্লি। য়াম্না চাউবা ওফিসারশিংদি লানফমক্তদি লান য়াওবা থেংনদে। অদুগা অমুকসু মেজর জেনরেল অমনা করি মরমগী টোপ গারোতকী মেম্বর ওইরমদ্রিবা করিগীনো ? ৱাহং ময়াম অসিগী পাউখুম লমদম অসিগী হিষ্টোরিয়ানশিংনা পীফম থোক্তব্রা? মানা মানা থোকপা লানবা চুম্বা খঙদনা পংই ইবা অসি অসুম চৎনগদ্র? চেরোল অদুনা অরোইবদা হায়রি।

মরম অদুনা অরোইবদা হায়জনিংবদি ঐখোয় খ্বাইনা লাৎচরিবা অথৌবা পাউনা অসি তারিক কয়াদা, করম্বা পুংফমদা, মতৌ করম্না অমদি কদাৱাইদা লৈখিদে, মহাক্না পুরম্বা ফম অসিনা করি ফম্মো হায়বশিং অসি য়াম্না ময়েক শেংনা হিষ্টোরিয়ানশিংনা পুথোকপীয়ু হায়জরি। চয়েৎনবা অসি কোকহনগনি নৎত্রবদি করিগুমবা লান অসিনা ২৫ দা শোক্লবা ওইরবা অদুগা মহাক্না তাং ২৩ দা শিবা ওইরল্লবদি মহাক লান য়াওদনা শিখি হায়বা য়াই হায়রি।

লালহৌবনি চিংনবা অনী ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ :

চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কমান্দো অমদি ২৬ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন টীম অমনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.১৫ তাবা মতমদা শোরা চিংজিন্দগী পি এল এনি চিংনবা অমা ফারে। মহাক্কী মমিং থাংজম শান্ত এলাইজ শাফবা (৩৫) অপোকপা টি ঐচনাগেশ্বর মৈতৈ কৌই। মহাক ইরেংবল মখা লৈকইদা লৈবনি। মহাক পি এল এগী ষ্টেলোন কৌবা অমগী মখাদা য়াওবনি কুমজা ২০০৮তা লুপ অসিদা য়াওবনি। অমরোমদা ওইনাম বসন্ত এলাইজ অমুচৌ (৩৩) অপোকপা ও শুরনজোই কৌবা য়ু এন এল এফকী এক্টিপ মেম্বর ১ বিষ্ণুপুর পুলিস কমান্দো অমদি ৫/৪ জি আরগী অপুনবা টীম অমনা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৩ দগী ফারে হায়রি।

Newly Open
RD GRAFIX
RD Grafix
PRINTING & SIGNAGE ADVERTISING
Konika 512i
High Speed Printing
SEGA ROAD, KONJENG HAJARI LEIKAI
rdgrafix2018@gmail.com ✆ : 7085085068
Upto-15% DISCOUNT
ON 3D SIGNAGE & PRINTING
HL-B/4571/18/4-16/5(Alt.)